**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ২১ শুবা চহিচা অসিদা ভারতনা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইবা থবক কয়া পায়খৎলি।

২) রাজ্য সভাগী এম.পি. মহরাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- ঈ পাউগী লমদা অনৌবা টেকোলোজি কয়া থোরক্লবসু নুংতিগী ফোংলিবা পাউচেশিং অসি ঙসিসু মীয়ামা মরুওইনা লৌনরি।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি থিবা হুন্বগী থবক চখবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খোঙনাংপোকপীদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

৪) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি মহারাষ্ট্রগী জালগাউনদা অনৌবা লাখপতি দিদি লাখ ১১ দা সার্তিফিকেটশিং য়েন্থোকখ্রে।

------

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ২১ শুবা চহিচা অসিদা ভারতনা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইবা ঙমবগী য়ুম্ফম ওইবা থবক কয়া পায়খৎলি।

অকাশবানিগী থোংদা শন্দোকখিবা মহাক্কী ১১৩ শুবা মনকি বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়- থা অসিগী ২৩ দা লৈবাক অসিনা অহানবা ওইনা নেসনেল স্পেস ডে পালন তৌখিবা অদু চন্দ্রয়ান থ্রিনা হায়রিবা নুমিৎ অসিদা থাগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা শিব শক্তি পোইন্টতা মায় পাকা লেন্দিং তৌখিবা অদু নীংশিংবা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

স্পেস সেক্তর রিফোর্মসতগী লৈবাক অসিগী নহাশিংনা কান্নবা কয়া ফংলে হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা স্পেস সেক্তরগা মরী লৈনবা থবক তৌরিবা মীওই কয়াগসু ৱারী শান্নখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হন্দক চহিগী নীংতম নুমিৎ পালন থৌরমগী ৱা ঙাংবদা মহাকা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লমদা থবক তৌরিবা নহাশিংদা রাজনীতিদা খোঙদানবা আপীল তৌখিবা অদুগী পাউখুম ওইনা নহা কয়া রাজনীতিদা য়াওরকবা থৌরাং তৌরে। নহাশিং অসিগী অপুনবা পাঙ্গলগা লোয়ননা রাজনীতিগী লমদা খুমাং য়াংশিনবা ঙল্লগনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা থাজবা ফোংদোকখি।

শ্রী মোদিনা হায়-নীংতম ইহৌগী মতমদা রাজনিতিগা মরী লৈনদবা ইমুং কয়াগী মীওই কয়ানা শরুক য়াখি অমসুং মখোয়না নীংতম্বগী ইহৌদা মাংজিল থানা চোংথোরকখি। ভিক্সিত ভারতকী পান্দম ফংনবগীদমক মখোয়গী থৌনা লিংজেল অদু ঐখোয়দসু লৈহনবা তঙাইফদে হায়না প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

হৌজিক্তি নীংতম নুমিৎসিসু খুন্নাইগী হরাউ কুম্মৈগুমা পালন তৌনবা উরে হায়রদুনা পালন অসি য়ুম য়ুম খক্তদা তৌবদগী হেন্দোক্তুনা ইশা ইশাবু তেংবাংবা লুপ শেমদুনা নুপী ওইবী কয়ানা ফিরাল লাখ লাখ শেন্নগী থৌদাংসু পায়খৎলি।

মহাকা হায়-হর ঘর তিরঙ্গা ৱেব সাইটতা সেলফি কোতি মঙাদগী হেন্না পোষ্ট তৌরকপা থেংনবগা লোয়ননা খোঙজংসিগী মখাদা লৈবাক পুম্বা অমত্তা ওইনা লেপমীন্নবগী শক্তম ময়েক শেংনা উৎলি। মসিমক এক ভারত স্রেস্থ ভারত হায়বদুনি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

শ্রী মোদিনা হায়- হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন্না লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না চেৎশিনহল্লে। মহাকা হায়-হর ঘর তিরঙ্গাগী খোঙজংনা হন্দক্তি থোইদোক হেন্দোকপা শক্লোন অমা লৌখি।

প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা কেটস দ রেন খোঙজং অমসুং এক পের মা কে নাম কেম্পেনদা শরুক য়াবীনবা অমসুং মীয়ামা উ চারা মশিং য়ামা থাবীনবা আপীল তৌখি।

হোর্কস দে (এল)ঃ রাজ্য সভাগী এম.পি. মহরাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- ঈ পাউগী লমদা অনৌবা টেকোলোজি কয়া থোরক্লবসু নুংতিগী ফোংলিবা পাউচেশিং অসি ঙসিসু মীয়ামা য়ামা মরুওইনা লৌরি।

অহানবা মনিপুর রাইফলসকী কমপ্লেক্সতা লৈবা হয়িংখোঙবালদা পাঙথোকখিবা মনিপুর হোকরস এসোসিয়েসন লিংখৎখিবগী ৪৩ রক শুবা পালন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মহারাজ সনাজাউবনা হায়- পাউচেশিংগী মরুওইবা অসি মতম চুপ্পদা মুৎপা ঙমলোই। নোংজ্ নুংশা খাক্তনা মীয়ামদা পাউচেশিং য়েন্থোকপগী থবক তৌরিবা মীওইশিংনা শিনফম অসিদা মায় পাকবা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা হোৎনগদবনি। মখোয়বু মীয়ামা লাইনা মশক খঙবা ঙমবা তোঙানবা য়ুনিফোর্ম থন্বা অমসুং লম থাপা লাকপা মীওইশিংগী পুনবা য়াবা মফম অমা থন্বা তঙাইফদে হায়বা মহাকা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা মনিপুর হোকরস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-ৱাংখেম অজিৎ অমদি লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডকী মেম্বর সেক্রেটরি-মৈস্নাম শিবদত্তা লুৱাং শরুক য়াখি। লৈখিদ্রবা হোকরশিংগী মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎপা অমদি হান্নগী মেম্বরশিংদা পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকপনচিংবনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

মেসেজ (এল)ঃ ভগবান কৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ, কৃষ্ণ জন্মা অষ্টমিনা লাকপদা রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়া অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালনা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা ভগবান কৃষ্ণনা তাকপীরম্বশিং নৌহৌননা নিংশিংবগা লোয়ননা চাওখৎপা অমসুং শান্তি লৈবা রাজ্য অমা ওইনা মীপুম খুদিংমক্তা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনরশি। নুমিৎ অসিনা ঐখোয়দা থবকা লাইনিং ওইদুনা ইশা ইশাগী থৌদাং পাঙথোকবা শ্রীকৃষ্ণনা তাকপীরম্বশিং নিংশিংহল্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মীয়ামদা পীবা পাউজেলদা হায়- ভগবান কৃষ্ণনা তাকপীরম্বা অদুনা রাজ্য অসিদা হেন্না শান্তি লৈবা লমদম অমা পুরক্তুনা মীপুম খুদিংমক অচুম্বা লম্বেলদা চৎপা ঙমবা হোৎনমিন্নরশি। শ্রী বিরেন্না হায়- ভগবত গীতাদা ভগবান কৃষ্ণনা তাকপীরম্বশিংগী তুংইন্না চৎলবদি মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা অমম্বা কোকহন্দুনা লৌশিংগী মৈরা লৈহল্লি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খোঙনাংপোকপীদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, দিতোনেতর য়াওদবা ঐচ.ই-থার্তিসিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অনি, ইমপ্রোভাইস মোর্তার লোঞ্চর অমা অমসুং কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৭ য়াওরি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা ঙসি অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি। তমেংলোং, সেনাপতি, নোনে, চুরাচান্দপুর, ফেরজোলদদি হয়েং ফাওবা অকনবা নোং চুরবা য়াই। লাক্লিবা লৈবাকপোকপা ন্‌মিৎতনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, কাংপোকপী, সেনাপতি, নোনে, থৌবাল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ জেনিমস হোস্পিতালগী দিপার্টমেন্ট ওফ পেথোলোজি অমদি মণিপুর সোসাইতি ওফ হেমাতোলোজি অমসুং ত্রান্সফিউজন মেদিসিননা পুন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা ফ্লো সাইতোমিট্রি ৱার্কসোপ অমা ঙসি হিল সাইদ হোস্পিতাল বাই ব্লেস হেলথ কেয়ারদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কসোপ অদুদা মেদিকেল কলেজশিংদগী মহৈরোই কয়া শরুক য়াখি। ৱার্কসোপ অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী লাকপা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

ত্রেনিং (এল)ঃ মোইরাং পর্বা ত্রেদিসনগী মতাংদা থা অমা চুপা চত্থরকপা থিয়েটর ত্রেনিং ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা লোইশিনখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিল অমসুং থিয়েটর মিরর ইম্ফালনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা ত্রেনি ৯০ হেনবদা সার্তিফিকেটনচিংবসু য়েন্থোকখি। লোয়নননা শরুক য়াখিবা ত্রেনিশিংনা শান্নবা লিলা মচা অমদি মোইরাং পর্বগী তাঙ্ককশিং উৎখি।

লাপতি (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জলগাউনদা ঙসি লাখপতি দিদি স্কিমগী মখাদা অনৌবা লাখপতি দিদিশিংদা সার্তিফিকেট য়েন্থোকপা অমদি ভারচুয়েল ওইনা ৱারী শান্নবগী থৌরমগা মরী লৈননা থৌবাল জিলাদসু মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন (এম.এস.আর.এল.এম)গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিতনা ঙসি সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৬৪ অমসুং মীওই মরিদা লোনগী সেঙ্কসন ওর্দর য়েন্থোকখ্রে। এম.এস.আর.এল.এম থৌবাল য়ুনিতনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ট হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর এন. বন্দনা, লিদ দিষ্ট্রিক্ট মেনেজর ডাঃ মৈত্রম উতম লুৱাং অমসুং ষ্টেট মিসন মেনেজর জি. কবিতা শরুক য়াখি।

মেলা (এল)ঃ লিবরেল কলেজ লুৱাংশংবমদা ঙরাংদগী হৌখিবা নুমিৎ নিনিগী ওইবা মেগা জোব ফিয়ার (রোজগার মেলা) অদু মীয়ামগী অপান্বগী মতুংইন্না থা অসিগী ২৬ ফাওবা চত্থরগনি হায়না কলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কেম্প (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শন্বে যুথ ক্লবনা শিন্দুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি শন্বে কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ১০০ রোম লায়েংখি অমসুং হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি।

ৱারী (এল)ঃ সঙ্গিৎ নাটকা একাদমি নিউ দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা রিপরটরি ওফ ৱারী লীবা মণিপুর, হেদ ওফিস খুরাই চাইথবী লৈরকা শিন্দুনা নরেটিম আর্ট (ৱারী লীবা) ফেষ্টিভেল অমা ঙসি খুরাই শাজোর লৈকাইদা লৈবা খুরাই কলা বিদ্যা ভবনগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা জিলা অহুমদগী লাকপা ৱারী লীবগী আর্টিষ্টশিংনা শরুক য়াখি।

নিমপাল (এল)ঃ নোংচুপা ইম্ফাল পলেম ইমা অপুনবা লুপা (নিমপাল) অমসুং উরিপোক খুমন্থেম লৈকাই অপুনবা নুপী লুপনা পুন্না শিন্দুনা ঙসিগী খুন্নাইগী হৌগলক্লিবা ইচাশিং অমদি মমা মপাগী থৌদাং হায়বা হিরমদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি উরিপোক খুমন্থেম লৈকাই অপুনবা নুপী লুপকী মৈরা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

মৈ (এল)ঃ ১৩২ কে.ভি. লোক্তাক -রেংপাং লাইন অসি ওল রেংপাং সব-ষ্টেসনগী এরিয়াদা শেমজিন শাজিনবগী থবক চত্থরিবনা মৈ পীবা ঙমদ্রে। এম.এস.পি.সি.এলগী চেরোল অমগী মতুংইন্না শেমজিন শাজিনবগী থবক অসি মতম খরা চংখিগনি হায়রি।

এৱারনেস (এল)ঃ ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন, সাউথ ইষ্ট মণিপুর ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা নেসনেল ইম্মুনাইজেসন এৱারনেস অমসুং ৱার্ল্ড ব্রেষ্টফিদিং মন্থ্কী পালন থৌরম ঙসি ককচিংগী জিবন হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী মেদিকেল ইজ্‌কেসন প্রোগ্রামগী মখাদা পাঙথোকপনি। থৌরমদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি মহারাষ্ট্রগী জালগাউনদা অনৌবা লাখপতি দিদি লাখ ১১ দা সার্তিফিকেটশিং য়েন্থোকখ্রে।

মহাকা চহিদা লুপা লাখ অমগী মথক্তা তানবা ঙম্লবী লাখপতি দিদিশিংগসু ৱারী শান্নখি। থৌরমদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ২,৫০০ গী কম্ম্যুনিতি ইনভেষ্টমেন্ট ফন্দসু রিলিজ তৌখি। মসিনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ লাখ মরি লিশিং অহুমলোমগী মেম্বর লাখ ৪৮ লোমদা কান্নবা ফংহল্লগনি। শ্রী মোদিনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ লাখ অনি লিশিং ৩৫ হেনবগী মেম্বর লাখ ২৫ লিশিং ৮ দা কান্নবা ফংহনগদবা বেঙ্ককী শেন্থুং লুপা কোতি লিশিং ৫ সু রিলিজ তৌখি।

থৌরম অদুদা মহারাষ্ট্রগী রাজ্যপাল সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, মুখ্য মন্ত্রি একনাথ সিন্দে, কেন্দ্রগী রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ এগ্রিকলচর মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান অমদি উপ-মুখ্য মন্ত্রি দেবেন্দ্র ফদনাবিস শরুক য়াখি।

নুমিদাংৱাইরমদা প্রধান মন্ত্রিনা রাজস্থানগী যোধপুরদা লৈবা রাজস্থান হায় কোর্টকী প্লাতিনম জুব্লি সেলেব্রেসনগী লোয়শিনবগী থৌরমদা অথোইবা অতিথি ওইনা শরুক য়াখি। শ্রী মোদিনা রাজস্থান হায় কোর্ট ম্যুজিয়মসু শঙ্গাখি।

জিতেন্দ্র ঃ কেন্দ্রগী মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা সভাপতি ওইদুনা ভারত অমসুং আমেরিকাগী মরক্তা সিভিল ন্যুক্লিয়ার কম্মর্সকী মতাংদা নিউ দিল্লিদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ডাঃ জিতেন্দ্রনা হায়- লৈবাক অনিগী ওইবা স্পেচকী অপুনবা থবক থৌরমশিংগী অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইনা গগনয়ান মিসনদা শরুক য়াখিবা ভারতকী এষ্ট্রেনোট অমা ইন্তরনেসনেল স্পেচ ষ্টেসনদা য়াওরগনি।

মান্দাভিয়া ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা থা অসিগী ২৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল স্পোর্টস ডেগী থৌরমদা শরুক য়াবীনবা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা আপীল তৌরি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়- পালন থৌরম অসিদা মীয়ামা আউট দোর স্পোর্টস অমা খনবিনদুনা য়ামদ্রবদা পুং অমা শরুক য়াবিয়ু হায়রি। মসিনা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট হেন্না মায় পাকা চংশিনবা ঙমগনি।

মংকি পোক্স ঃ মংকি পোক্স লাইচৎ শন্দোরকপা থিংননবা মহারাষ্ট্রগী পুনে জিলাদা ষ্টেট হেলথ দিপার্টমেন্টনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

হৌখিবা নুমিৎ ৬ নি অসিদা পুনে এয়ারপোর্টতা সিঙ্গাপুর অমসুং দুবাইদগী লাকপা পেসেঞ্জর ৫৩১ স্ক্রিনিং তৌবদা মীওই অমত্তা পোজিতিভ ওইবা থেংনখিদে। মখা তানা সিঙ্গাপুর অমদি দুবাইদগী লাকপা পেসেঞ্জরশিং পুনে এয়ারপোর্টতা স্ক্রিনিং তৌবগী থবক চথখিগনি।

সিঙ্গাপুর ঃ ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরগী মন্ত্রিশিংগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীফম হয়েং সিঙ্গাপুরদা পাঙথোক্কনি। মীফম অদুদা শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামন, মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্কর, লল্লোন ইতিক মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়েল, ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণব শরুক য়াগনি।

মন্ত্রিশিংগী খোঙচৎ অদুদা সিঙ্গাপুরগী লুচিংবা কয়াগসু উন্নরক্কনি।

পান্থোই ঃ মণিপুরগী ইন্তরনেসনেল ফুটবোল প্লেয়ার অমা ওইরিবা এলাংবম পান্থোই চনুবু ঙসি লৈমরেন্বী ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন কৈরক ময়াই লৈকাইনা শিন্দুনা তরামা ওকপগী থৌরম অমা কৈরক পান্থোইবী লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে। এলাংবম পান্থোই চনু ইন্দিয়ান ৱিমেন ফুটবোল টিমগী শান্নরোইনি। মহাক হৌজিক হৌজিক সাউথ ওষ্ট্রেলিয়া দব্লিউ.এন.পি.এল ক্লবতা শান্নরি।

এথলেটিক্স (এল)ঃ  চহি অসিগী ওক্তোবর ১২ অমসুং ১৩ দা মালেসিয়া ইন্তরনেসনেল মাষ্টর এথলেটিক চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ানিংবা মাষ্টর এথলেটশিংনা থা অসিগী ২৮ ফাওবদা মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক এসোসিয়েসনগী ওফিসতা লাক্কুনা অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি হায়রি।

সরফিং ঃ  ভারতকী সরফিং টিমনা অহানবা ওইনা ২০২৬ গী এসিয়ান গেমসতা শরুক য়ানবা ক্বালিফাইদ ওইরে। মোলদিপসতা চথুরিবা এসিয়ান সরফিং চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা ভারতকী নুপা অমসুং নুপীগী সরফিং টিমনা ক্বালিফায়িং পোইন্টস ফংদুনা জপানদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসকী মফম কনবা ঙমখিবনি।

------